**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ওইল পম্পশিং থোঙ লোল্লিবা অসিগী মতাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগা থাউগী কম্পনিশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নরি।

২) স্বামি ভিভেকানন্দগী মপোক নুমিৎপু 'নেসনেল য়ুথ ডে' হায়না ঙসি মণিপুরদসু থৌরমশিং পাঙথোকখি।

৩) রাজ্য অসিগী অহানবা ওইনা থৌবাল অথোকপমদগী অহল ওইরবা মীওই অমদা মেন্টেনেন্স এক্টকী মখাদা মচাশিংনা থাদা লুপা লিশিং ১০-১০ পীনবা রাই তাখ্রে।

৪) ঐখোয় য়ুমদা হলহল্লু, মীয়ামগী মেমোরেন্দমগী পাউখুম পীয়ু হায়না ইম্ফালদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) কুমজা ২০২৬-২৭ কী য়ুনিয়ন বজেৎ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১ দা লোক সভাদা পুথোক্লগনি।

------

ট্রান্সপোর্ট (এল) ঃ মণিপুরদা ওইল পম্পশিং থোঙ লোনখিবদগী মীয়ামা থেংনরিবা অৱাবা অসিগী মতাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার

গোয়লনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা থাউগী কম্পনিশিংগী মীহুৎশিংদা চীফ সেক্রেতরিনা সরকারগী মাইকৈদগী ওইল পম্পশিং ঙাক শেনবগী লমদা দরকার লৈবা থবকশিং চপ চানা লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি। মীয়ামা থেংনরিবা অৱাবা অসি য়েংলগা ওইল পম্পশিং হাংদোকবা আপীল তৌখি।

মীহুৎ কাংবু অদুনা সরকারগী আপীল অদু তারবা মতুংদা মখোয়গী ওইনা পুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ অমা লৌরগে হায়না ফোংদোক্লমখি হায়রি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ফংবা পাউদা- থাউগী কম্পনিশিংগী মীহুৎ কাংবু অদুনা অমুক হন্না লাক্কুনা কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী সেক্রেতরি নামোইজম খেদা বর্তা সিংহগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরি। ৱারী শান্নবা অসিগী অকুপ্পা পাউ ঙাইহরি।

ডেঃ স্বামি ভিভেকানন্দগী মপোক নুমিৎ অসি 'নেসনেল য়ুথ ডে' হায়না ঙসি মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসি ভিভেকানন্দ কেন্দ্র কৈন্যকুমারি, মণিপুর বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী বন্তিং হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা ১৬৪ শুবা স্বামি ভিভেকানন্দগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রন ফোর স্বাদেসি(সনকল্প রন) ঙসি অয়ুক খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ বিল্ডিংদা পাঙথোকখি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, মণিপুরগা স্বাদেসি জাগরন মন্থ, মণিপুর প্রান্টকা খূৎশমদুনা নেসনেল য়ুথ ডেগা মরী লৈননা রন অমসু পাঙথোকখি।

স্বামি ভিভেকানন্দগী মপোক নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রন ফোর স্বাদেসিগী লমজেল অমা ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ত্রাফিক পোইন্টতগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কেন্দ্রগী ইদ্যুকেসন, য়ুথ এফিয়র্স

এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সর্ভিস স্কিম (এন.এস.এস) সেলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

অহল (এল) ঃ থৌবাল জিলাগী মেন্টেনেন্স ত্রাইবুনেলনা মচা মশুশিংনা তাথি তাওইনা তৌবীবা অমদি নিংথিনা য়েংশিনবিদবদগী কেসকা মরী লৈননা থৌবাল অথোকপমদগী অহল অমদা ইমুং মনুংনা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ১০-১০ পীননবা রাই তাখ্রে। মেন্টেনেন্স ত্রাইবুনেল থৌবাল ওইরিবা থৌবালগী এস.দি.ও- আরবিন্দ হংলেমনা অহল ওইরবা মীওই অদুনা ব্রাকৎলক্লিবা ব্রাফমশিং অদু মুন্না তারবা মতুংদা শেনফম অদু পীননবা রাই তাখিবনি।

ব্রাকৎ অদুগী হিয়ারিং তারবা মতুংদা শ্রী আরবিন্দনা হায়- অসিগুম্বা মখলগী অহল লমনশিংদা তাথি তাওইনা তৌবগী কেস অসি ঙসিগী অসিনা মণিপুরগী ওইনা ইহান হানবা কেসনি। কেন্দ্রগী সরকারগী মেন্টেনেন্স এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়র সিতিজন্স এক্ট ২০০৭ কী মখাদা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টনা মণিপুর মেন্টেনেন্স এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়র সিতিজন্স রুলস ২০২৩ গী মখাদা চহি য়ামদুনা অহল ওইশিল্লক্লবা মীওইশিংগীদমক সরকারনা পায়খৎলিবা আইনগী ঙাক্লৌ অসিগী কান্নবা লৌননবসু মহাকা আপীল তৌরি।

ককচিং (এল) ঃ উপুলুরি চৈতন্যানা ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ওইনা ঙসিদগী থৌ পুবা হৌখ্রে। ঙসি ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হান্না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দদগী মহাকা নৌনা থৌ পুবগী চার্জ অদু লৌখি।

এআর (এল) ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা নুংশি চান্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগী পান্দমদা মীয়ামগা উন্নবগী থবক মখা তানা চখুরি। হেদক্বাটরস আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পি.আর.ওগী পাউনা হায়- ঙসিসু পাউবীতেক্কী মৈরা পায়বীশিং, য়ুমাম খুনৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা, তোঙান

তোঙানবা ফুরুপশিংগী খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নেসনেল য়ুথ ডেগা মরী লৈননা তেংনোপল জিলাগী খনগৎলবা নহারোল ১৩ দা পুকিং থৌগৎখ্রে। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদসু লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

কোকোমি (এল) ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) অমসুং আই.দি.পিশিংনা পুন্না শিন্দুনা- ঐখোয় য়ুমদা হলহল্লু অমসুং মীয়ামগী মেমোরেন্দমগী পাউখুম পীয়ু হায়না ঙসি ইম্ফালদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজংলোইশিং অদুনা ইম্ফাল তিদিম লম্বীগী তখেল লৈকাই মপানদগী লোক ভবন তমা খোল্লাউশিং লাউদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু কৈশামপাৎ জঙ্কসনদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিংলবা মতুংদা কোকোমিগী মীওই ৫ অমসুং আই.দি.পিগী মীওই ৬ পুন্না মীওই ১১ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা লৈখায় তাবা ঙমদবদগী লোক ভবনদা চত্তুনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা পুন্না ৱারী শান্নখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা য়াওরুবা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা পাউমীশিংদা হায়- কোকোমিনা মমাং থাদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমশিং অদুগী পাউখুম পীবীনবা তকশিনখি। মদুগী পাউখুম ওইনা সরকারগী মাইকৈদগী মেমোরেন্দমশিং অদুগী অইবা পাউখুম হয়েং পীরগে হায়না ফোংদোরকখি। মসিগী মথক্তা আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা সরকারনা লৌখৎলিবা অমসুং লৌখৎকদবা থবক থৌরম খরগী মতাংদসু মীহুৎ কাংবু অদুদা পাউদম্লকখি।

দেসাম (এল) ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজকেসন মণিপুরগী ৱাটর মার্ক য়াওদবা অমদি চে ফত্তবদা লাইরিক নম্বা য়ারোই অমসুং মহৈরোইশিংদা মতম চানা লাইরিক ফংহল্লু হায়বা দাবীশিং তকশিন্দুনা ঙসি দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস

এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ইম্ফালদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা খোঙজং চংশিনখ্রে। মফম অদুদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা লুচিংবা কাংবু অমগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা দেসামগী মীহুৎ কাংবু অমগা বোসেমগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা ইজ্‌কেসন (এস)কী দিরেক্তর অমসুং বোসেমগী সেক্রেতরিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

খোঙজং অদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা দেসামগী প্রসিদেন্ট এ. সোমোরজিৎনা হায়- একাদমিক সেসন হৌবা নংননবা লাইরিকশিং ফংহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি। চে ফত্তবদা লাইরিক নম্বগী ৱাথোক নিংথিনা থিজিনদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীনবসু মহাকা তকশিনখি।

ফার্মাসি ডে(এল)ঃ 'থিঙ্ক হেলথ, থিঙ্ক ফার্মাসিষ্ট' হায়বা হীরমদা জাতি থাক্কী ফার্মাসিষ্টশিংগী নুমিৎ রাজ্য অসিদসু ঙসি পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন ফার্মাসিষ্ট এসোসিয়েসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সাপম সরতচন্দ্রনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- অনাবশিংগীদমক্তা ফার্মাসিষ্টশিংনা দরকার লৈবা হিদাক লাংথকশিং ফংহল্লি।

মীতৈ পাঙল রেজিষ্টর ফারমাসিষ্ট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনসু জাতি থাক্কী ফারমাসিষ্ট নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হিদাক লাংথক শিজিন্নবগী মতাংদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

সিআরপিএফ (এল) ঃ সি.আর.পি.এফকী ১০৯ শুবা বত্তাল্লিয়নগী মখাদা থা অমা চুপা চত্থগদবা ফি শাবগী ত্রেনিং অমা ঙসিদগী হিয়াংথাংদা লৈবা কম্মন ফেসিলিতি সেন্তরদা হৌখ্রে। ত্রেনিং অদু সি.আর.পি.এফকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্তিসান কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোওপরেতিভ সোসাইতিজগী রেজিষ্ট্রার দব্লিউ. ইবোহলনা হায়- অতেনবা মতমগী মনুং তোঙান তোঙানবা দিজাইন কয়া পুথোকপা ঙম্বা জেককার্দ ৱিভিংগী ত্রেনিং অসি ফি শাবীশিংগী ওইনা য়ামা

মরুওই। মেছিন অসিনা পুথোকপা ফিরোলশিং অসি শেৎ চাবদা য়ামা নুংঙাইবতা নত্তনা মখল কয়াদা পুথোকপা য়াহ। মহাকা হায়- মণিপুরগী ফি শাবীশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং অসি নোংচুপ লৈবাকশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংনা পামরি।

কেম্প (এল)ঃ এন.সি.দি সেল ইম্ফাল ইষ্ট, য়াইঙংপোকপী প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অমসুং কারকিনোস হেলথ কেয়ার ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা কেন্সরগী মরমদা হেন্না খঙহনবা অমসুং লায়না অসিগী স্ক্রিনিং তৌবগী কেম্প অমা ঙসি য়াইঙংপোকপী পি.ঐচ.সিদা পাঙথোকখ্রে । কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১২০ শরুক য়াখি।

মিলাল(এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনা শিললোন অপুনবা লুপ(মিলাল) কংলৈপাক্কী চহী ৩ থৌ পুগদৌরিবা থৌমীশিং ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ড হয়িং খোঙবালদা ব্রাশক লৌবগী থৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নৌনা খল্লবা মীলালগী প্রসিদেন্ট ব্রাইখোম গোজেন মীতৈনা লুচিংদুনা মীলাল একজিক্যুতিভ মেম্বর ২৮ না ব্রাশক লৌখি।

বজেৎ ঃ কুমজা ২০২৬-২৭ কী যুনিয়ন বজেৎ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১ দা লোক সভাদা পুথোক্লগনি। বজেৎ মীফম অসি থা অসিগী ২৮ দগী হৌগনি। অদুগা এপ্রিল ২ ফাওবা চত্থগনি।

লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়- ফেব্রুৱারি ১ গী অয়ুক পুং ১১ দা লৱার হাউসতা বজেৎ অসি পুথোক্কনি । মদুগী মমাংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- বজেৎ মীফম অসিগী অহানবা শরুক থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগা ফেব্রুৱারি ১৩ দা লোইশিনগনি। মদুগী মতুংদা মীফম অসিগী অনিসুবা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল ২ ফাওবা চত্থগনি।

এম.ও.য়ু ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং জর্মনিগী চান্সেলর ফ্রেদরিক মর্জনা ঙসি গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। লৈবাক অনিগী মীহুৎশিং য়াওনা শান্নখিবা ৱারী অদুদা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, হাই-এন্দ টেকোলোজি, ঙাকশেল, গ্রিন সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, সাইন্স অমসুং রিছার্সকী মতাংদা কুপা খন্নখি অমসুং তোঙান তোঙানবা লমশিংদা য়ান্নচে কয়া সহি তৌনখি। লুচিংবা অনিনা উন্নবা অদুদা চহি ২৫ মপুং ফারক্লবা ভারত অমসুং জরমনিগী মরীবু হেন্না পাকথোক চাউথোকা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

মদুগী মমাংদা লুচিংবা অনিনা গুজরাতা লৈবা সবরমতি আশ্রমদা চত্তুনা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, ইন্তরনেসনেল কাইট ফেষ্টিভেলদা লুচিংবা অনিনা শরুক য়াখি।

পিএম ঃ নিউ দিল্লিদা ঙসি লোইশিনগদবা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়ারি। শ্রী মোদিনা একজিবিসন মফমদা চত্তুনা য়ং লিদরশিংগা ৱারী শান্নখি অমসুং মখোয়না ফোংদোরকপা ফজরবা ৱাফম কয়া তাখি।

ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ অসি অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপনি। মসিনা ভারতকী নহা ওইরিবা অমদি তুংগী লুচিংবা ওইরকপা য়াবা মীওইশিংগী ৱাখলদা মরৈবাক মরমদমবু হেন্না নুংশিহনবগা লোয়ননা মতিক চাবা লুচিংবা অমা ওইরকবগী ৱাখল্লোন ফাওহল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি ঃ ৱাই.সি.সি.আই.সি. কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ১৩ শুবা য়ুমা রাসমনি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজগী মেটচশিংদা- হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এস.ৱাই.য়ু.সিবু পাঞ্জল ৭-১ দা, ফার্মনা ৱাই.সি.সি.আই.সি টিম-এবু পাঞ্জল ৫-১ দা অমসুং

টি.দব্লিউ.সি. তাওবুংখোকনা বিষ্ণুপুর হোক্কিবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে। সিয়ো শিংজমৈ অমসুং ৱাই.সি.সি.আই.সি টিম-বি পাঞ্জল ৭-৭ চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ত্রোফি অসিগী লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রুল মৈত্রমনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ১১৫ দা থোইখ্রে।

লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা রুল মৈত্রমনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপ-এগী অহানবা মফমদা লৈরি। এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা গ্রুপ-বিগী অহানবা পোজিসনদা লৈরি।

ফুটবোল ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তাইদা ফুটবোল গ্রাউন্দ তৌবুলদা শান্নখিবা ইন্দিয়া য়ুথ লিগ ইলিটকী মেটচ অমদা তাইদানা ইলিট ফুটবোল একাদমিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- লংথবাল এফ.সি অমসুং টি.এ.এম.এফ.সি সেক্তা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে। ঐচ.এন.এস.সি হাওরৈবী অমসুং ৱাংগোই এফ.সিসু পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

------